ফ্রেন্স ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট ২০১৬

# এন্দি মুরে অমসুং সেলভি রোজর্স ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে ইন্দিয়াগী সনিয়া অমসুং স্বিজরলেন্দগী হিঙ্গিস মায়থিহৌরে



যু এস এ গী জোন ইসনরবু থোইদুনা ক্বার্টর য়ৌখ্রবা এন্দি মুরে

পেরিস , মে ৩০ ঃ

নুপাগী টেন্নিসকী সিঙ্গলসকী রেঙ্কিংদা ৱার্ল্ড নম্বর টু ওইরিবা গ্রেট বৃটেনগী এন্দি মুরে অমদি নুপীগী সিঙ্গলসকী শান্নরোই যু এস এ গী সেলভি রোজর্স মখোয় মখোয়গী মেটচশিং মায় পাক্তুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে। অমরোমদা নুপীগী দবলসকী ৱার্ল্ড নম্বর ৱান জুরা ওইরিবা ইন্দিয়াগী সনিয়া মির্জা অমসুং স্বিজরলেন্দগী মার্টিনা হিঙ্গিস মখোয়গী অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচতা ঙরাং মায়থিহৌরে।

এন্দি মুরেনা মহাক্কী মরিশুবা রাউন্দগী মেটচতা যু এস এ গী জেন ইসনরগা শান্নখিবদা ষ্ট্রেট সেট অহুমদা ৭–৬(১১–৯), ৬–৪, ৬–৩ দা থোইদুনা ফ্রেন্স ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ইতিহাসতা ৬ রক শুবা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙম্লি।

পনবা য়াবদি মুরেনা ফ্রেন্স ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট ২০১৬ কী অহৌবা রাউন্দ অনী মহাক্কী লম্বাশিং অদুগা থেংনবদা সেট মঙা মঙাগী মেটচ অনী শান্নখি। মহাক্না যু এস ইসনরগা ঙরাং অথেংবদা থেংনখিবা অদু মখোয়গী অনীগী কেরিয়রদা মঙারক শুবনি। হৌখিবা মেটচ ৪ মক এন্দি মুরেনা মায় পাক্তুনা লাক্লগা মঙাশুবা মেটচ অদুসু মায় পাক্তুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।



আই সি বেগুবু থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রবা সেলভি রোজর্স

অহানবা সেট অদুদা মুরেবু ইসনরনা য়াম্না অকনবা লম্বা পীদুনা শান্নরকখিবা অদুনা মরম ওইরগা টাই ব্রেক্তা সেট অদুগী ফল লৈহনখি। মখা তাবা সেট অনী মুরেনা ইসনরগী সার্ভিস গেম অমমম ব্রেক তৌদুনা ৬–৪, ৬–৩ দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। মুরেনা ক্বার্টর ফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু লৈবাক ফ্রান্সকী শান্নরোই রিচার্ড গাস্কিগা লম্বা তৌনরগনি।

গাস্কিনা মহাক্কী মরিশুবা রাউন্দগী মেটচদা জপানগী কৈ নিসিকোরিবু সেট ৩–১ দা মায়থিবা পীখিবনি। অহানবা সেট শান্নরোই অনীমক অকনবা লম্বা মায়োক্নখি। অদুবু গাস্কিনা নিসিকোরিগী সার্ভিস গেম অমা তাঞ্জা চানা ব্রেক তৌদুনা ৬–৪ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা সেট অদুবু গাস্কিনা নিসিকোরিবু ইকোম কোম্না ৬–২ থোইদুনা সেট ২–০ দা মাঙজিল থাখি। অহুমশুবা সেটতা জপানগী শান্নরোই অদুনা অহেনবা মশান্না উৎলকপদগী গাস্কিগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৪ দা সেট ২–১ দা লৈনখি।

মরিশুবা সেটতা রিচার্ড গাস্কিনা নিসিকোরিগী সার্ভিস গেম অমা ঙন্না ব্রেক তৌদুনা ৬–২ দা থোইবদগী মরিশুবারাউন্দগী মেটচ অদু মায় পাক্তুনা এন্দি মুরেগা ক্বার্টর ফাইনেলদা লম্বা তৌনগদৌরিবনি।

নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা যু এস এ গী সেলভি রোজর্সনা রোমানিয়াগী শান্নরোই এরিনা কামেলিয়া বেগুবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা স্পেনগী শান্নরোই গার্বিন মুগুরুজাগা লম্বা তৌনগদৌরিবনি।

সেলভি রোজর্সনা এরিনা কামেলিয়া দেগুবু অহানবা সেটতা সার্ভিস ব্রেক অমা ফংদুনা ৬–৩ দা থোইদুনা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা সেটতা সেলভিনা অমুক হন্না অকনবা প্রেসর পীশিনবগী বেগুগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৪ দা থোইদুনা স্পেনগী মুগুরুজাগা ক্বার্টর ফাইনেলদা শান্নরগনি।

মুগুরুজানা মহাক্কী মরিশুবা রাউন্দগী মেটচতা রুসিয়াগী মমাঙদা চেম্পিয়ন ওইরম্লবী স্বেটলানা কুজনেটসোভাবু ৬–৩, ৬–৪ দা মায়থিবা পীদুনা ৱার্ল্ড ফোর শান্নরোই অমা ওইবগী চপ চাবা মশান্না অদু উৎথোকপা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী দবলসকী কাঙলুপ্তা ইন্দিয়াগী সনিয়া মির্জা অমসুং স্বিজরলেন্দগী মার্টিনা হিঙ্গিসনা গ্রান্দ স্লাম টাইটল ৪ মক লৌননবা হোৎনরকপা অদু অহুমশুবা রাউন্দদা জেক রিপব্লিক্কী জুরা বার্বোরা ক্রাইচিকোভা অমসুং কেটেরিনা সিনিয়াকোভাগী মখুত্তা ষ্ট্রেট সেট অনীদা মায়থিহৌখি।

অহানবা সেট অদুদা জেক রিপব্লিক্কী জুরা অদুনা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান জুরাগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৩ দা থোইখি। মদুগী মতুং অনীশুবা সেট অদুসু ৬–৩ দা থোইদুনা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান জুরা অদু লৈহৌখি।

## চহী ১৬ কী মতুংদা ফ্রেন্স ওপনগী নোংমগী শান্নগদবা সেদ্যুলশিং নোংনা য়েথোকখ্রে

পেরিস , মে ৩০ ঃ

নোং লেপ্তনা চুবনা মরম ওইরগা হৌজিক–হৌজিক ফ্রান্সকী সহর পেরিসতা চথরিবা চহী অসিগী অনীশুবা গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট ওইরিবা ফ্রেন্স ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট চহী ১৬ কী মতুংদা অহানবা ওইনা নোংমগী শান্নগদবা সেদ্যুলশিং অদু য়েথোকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ওর্গনাইজরশিংনা ফোঙদোরকপদগী মতুংইন্না ২০০০ গী মে ৩০ দা ফ্রেন্স ওপন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিসতা নোংমগী ওইবা সেদ্যুল নোংনা মরম ওইদুনা য়েথোক্লগা থংনবা নুমিৎতা শান্নহনখিবা অদুগী মতুং ঙসি ২০১৬ কী টুর্নামেন্ট অসিগী নিংথৌকাবা নুমিৎকী শান্নগদবা মেটচ অদু লেপ্তনা চুখিবা নোং অদুনা শান্নবা য়াহনখিদবদগী হয়েং ওইনা শান্নরগনি হায়রি।

ঙসিগী মেটচশিং মীৎয়েং তান্নবগীদমক মাঙজৌননা টিকেট কক্খ্রবা ভাবকশিংনা মখোয়গী টিকেট মমলশিং অদু হন্দোকপা য়াগনি হায়রি। হয়েং শান্নবা য়ারবদি জোকোভিস অমসুং বটিষ্টা শান্নগনি অদুগা নুপীগী ৱিলিয়মস মচিন মনাওসু শান্নগনি হায়রি।

# জুন ২ দা ইন্দিয়াগা লাওসকা এসিয়ান কপ ক্বালিফায়রদা লম্বা তৌনরগনি



ইন্দিয়াগী ফুটবোল কোচ ষ্টেফেন কোন্সটেন্টিন্না মহাক্কী শান্নরোইশিংদা অকনবা চেকশিন ৱাহে ফোঙদোকপা

ন্যু দিল্লি , মে ৩০ ঃ

২০১৯ দা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ান ফুটবোল কনফিদরেসনগী এসিয়ান কপ ক্বালিফায়রগী মনুং চন্না জুন ২ দা ইন্দিয়াগী ফুটবোল টিম্না লাওসকা অৱে মেটচ শান্নরগনি।

ইন্দিয়াগী টিম অসিনা জুন ২ গী মেটচ অদু লোইরবা মতুং হোম মেটচতা জুন ৭ তা লাওসকা অমুক হন্না গুৱাহাটিদা শান্নগদৌরি। ইন্দিয়াগী টিম কোচ ওইরিবা ইংলিস মচা ষ্টেফেন কোন্সটেন্টাইন্না লমজিং লমতাক্তুনা হয়েংদগী লাওসকীদমক খোঙশানগদৌরিবা অদুগী মাঙওইননা টিম অদুগী মরুওইবা শান্নরোই খরা শোকপদগী টিম অসিদা শরুক য়াবা ঙম্লোইদবা অসিনা টিম অসিগী পাঙ্গল মপুং ফাবা ঙম্লোইদৌরি।

মিদ ফিল্ডর বিনিট রায় গুৱাহাটিতা পাঙথোকখিবা ত্রেনিং সেসনদা খোঙনিং শোকখিবগী পুন্না শান্নরোই ২১ খনগদবা টিম অদুদা শান্নরোই ২০ গী টিম অমা লাওসকীদমক হয়েং খোঙশানগদৌরিবনি।

খোঙশানগদৌরিবা ইন্দিয়াগী টিম অসিদা শরুক য়াদবা গোল কিপর গুরপ্রিট সিংহ সান্ধু নোরৱেজিয়ান ফুটবোল লীগতা শরুক য়াবা ঙম্বা ইন্দিয়াগী অহানবা ফুটবোল শান্নরোই ওইনা লাওসতা মহাক্কী শান্নফমদগী থুংলরগনি।

নীংশিংবা য়াবদি গুরপ্রিট সিংহ সান্ধুনা নোরৱেগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ক্লবশিংগী ফুটবোল টুর্নামেন্ট ওইরিবা ষ্টাবেকতা লৈবা টিপেলিজিয়ানে ক্লবতা শরুক য়াদুনা ইন্দিয়াগী অহানবা ফুটবোল শান্নরোই অমা ওইনা মকোক থোংবা য়ুরোপ লৈবাক অমগী ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট অমদা শরুক য়াবা ঙম্বা অহানবা ইন্দিয়াগী ফুটবোল শান্নরোই ওইরিবনি।

মহাক্না টিপেলিজিয়ান ক্লব ষ্টাবেক্কী লীগ মেটচশিংদা ১৩ শুবা রাউন্দদা অহানবা ওইনা শরুক য়াখিবনি। মদুদা শান্নখিবা মেটচ অদুদা গুরপ্রিট সিংহ সান্ধুনা গোল কিপর ওইনা মায়োক্নবা টিম অদুনা পাঞ্জল অমত্তা চলহন্দবা ঙমখি। হায়রিবা মেটচ অদু গুরপ্রিট সিংহ সান্ধুগী টিম অদুনা পাঞ্জল ৫–০ দা মায়থিবা পীবা ঙমখ্রবসু মহাক্না শরুক য়াখিবা টিম অসি মমাঙ রাউন্দগী মেটচশিংদা ফজবা ঙমখিদবনা রেলিগেসনগী জোনদা লৈরি।

ইন্দিয়াগী কোচ ওইরিবা ষ্টেফেন কোন্সটেন্টাইন্না ফোঙদোকখিবদা ভিনিট রায় শোকখিবা অদুদা নত্তনা অতোপ্পা শান্নরোই ৫ শু কেম্পতগী শোকপনা মরম ওইরগা ইন্দিয়াগী টিম অদুদা শরুক য়াবা ঙমখিদে। লোয়নন্না ধনপাল গনেস অমসুং ষ্ট্রাইকর রোবিন সিংহ মমাঙদা শোকখিবা অদুগী মতুং মপুং ফানা ফগৎপা ঙমদ্রি। সি কে ভিনিট অমসুং দেবিদ লালরিমোৱানা শোকপদগী বোল কাউবা ফাওবা ঙমদ্রি।

লাওসকীদমক চৎক্কদৌরিবা শান্নরোইশিং অদুদি গোল কিপরদা সুব্রত পোল, গুরপ্রিট সিংহ সান্ধু, আর্মিন্দর সিংহ, দিফেন্দরদা রিনো অন্টো, কিগান পেরৈরা, প্রিতম কোটল, অর্নব মন্দল, সন্দেস জিঙ্গান, চিংলেম্না সিংহ (মণিপুর), ফুলগানকো কার্দোজা, নরায়ন দাস, মিডফিল্ডতা হালিচরন নর্জারে, য়ুগেসন লিন্দো, ওলৱিন জোস, এম দি রাফিক, মণিপুরদগী উদান্ত সিংহ, সৈত্য সেন সিংহ অমসুং জেকিচান্দ সিংহ অদুগা ফোরৱার্দতা সুনিল ছেত্রি, জে জে লালপেখুলুৱা অমসুং সুমিট পাসিনি।

# অনুনা গোল্ড অদুগা নিরজনা সিলভর মেডল ফংখ্রে

ওর্দেজেম , মে ৩০ ঃ

বেলজিয়মগী সহর ওর্দেজেমদা পাঙথোকপা ইন্টরনেসনেল ফ্লান্দর্স এঠলেটিক্স মিটকী থাংজ নুমিৎকী নুমিদাংদা পাঙথোকখিবা নুপীগী জভলিন থ্রোগী ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী অনু রানিনা মিটর ৫৪.৬৩ লংদুনা গোল্ড মেডল ফংলগা নুপাগীদা নিরজ চোপ্রানা মিটর ৭৫.৫২ লংলগা সিলভর মেডল ফংবা ঙমখিবনি।

রিও ওলিম্পিক্সকী ওইনা লৈরিবা নুপীগী জভলিনগী ক্বালিফিকেসন মার্ক অসি মিটর ৬২ নি। ইন্দিয়াগী বেলজিয়ম ইভেন্ট অদুদা গোল্ড ফংখিবী নেসনেল রেকোর্দ হোল্ডর ওইরিবী অমদি এসিয়ান গেমসকী ব্রোঞ্জ মেডালিষ্ট অনু রানিনা গোল্ড ফংবদা লংখিবা মিটর ৫৪.৬৩ অদু য়াম্না নেম্বা মরম্না রিওগীদমক অতোপ্পা ইন্টরনেসনেল টুর্নামেন্ট অমদা শরুক য়াদুনা অহেনবা পার্ফোমেন্স উৎপগী তঙাইফদবা লৈরি।

নাকল অমরোমদা নুপাগী জভলিনদা সিলভর ফংখিবা সাউথ এসিয়ান গেমস চেম্পিয়ন নিরজ চোপ্রানা হৌখিবা চয়োল খরা অসিদা মিটর ৭৯ হেন্না লংবা ঙমদুনা ফজরক্লবা মতুং ওলিম্পিক্সকী ক্বালিফায়িং মার্ক ওইরিবা মিটর ৮৩ অদু য়ৌগদবা মিটর ৮ হেন্না ৱাৎখিবনি। মহাকসু রিও ওলিম্পিক্স য়াওননবগীদমক মখা তানা অতোপ্পা ইন্টরনেসনেল কম্পিটিসন্দা অহেনবা পার্ফোমেন্স উৎপগী মথৌ তারি।

# ইন্দিয়াগী লাহিরি চহী অসিগী পি জি এ টুরগী মকোক থোংবা ১০ গী মনুং চনখ্রে

টেক্সাস , মে ৩০ ঃ

যু এস এ গী টেক্সাস সহরদা পাঙথোকপা দোন এন্দ দেলুকা ইনভিটেসনেল গোল্ফ টুর্নামেন্টকী ফাইনেল রাউন্দদা ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা শান্নরোই অনিরবন লাহিরি ৬ শুবা পোজিসন তাদুনা চৎলিবা চহী অসিগী পি জি এ তুরদা মকোক থোংবা শান্নরোই ১০ গী মনুং চনবা ঙমখ্রে।

মশাগী চহী ২৮ শুরবা লাহিরিনা য়ুরোপিয়ান / এসিয়ান তুর ইভেন্টতা অহানবা ওইনা শান্নরোই ১০ গী মনুং চনবা ঙমখিবনি। নীংশিংবা য়াই ইন্দিয়াদা পাঙথোকখিবা হিরো ইন্দিয়ান ওপন গোল্ফ ইভেন্টতা ২ শুবা পোজিসন তাখিবনি। মহাক্না টেক্সাসকী কম্পিটিসন অদুগী অরোইবা রাউন্দদা য়াম্না ফজরকপদগী ৬ শুবা পোজিসন্দা হাইগৎপা ঙমখিবনি।

অনিরবননা মমাঙগী সিজন দা মালেসিয়াদা পাঙথোকপা টুর্নামেন্টতা ২১ শুবা পোজিসন তাখিবা অদুদগী হন্দক্কী সিজন অসিনা হেন্না ফজদুনা মকোক থোংবা পোজিসন ১০ গী মনুং চনবা ঙমখিবনি।

চয়োল অসিদা অনিরবন লাহিরিনা ফজবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমখিবদগী মালেমগী ওইবা গোল্ফকী ফেদএক্স কপ টেবলদা ৮৮ শুবা পোজিসন্দা হাইগৎপা ঙম্লি।




# আর এস রাথোরগী মচানুপা এম রাথোরনা জুনিয়র গোল্ড ফংখ্রে




ন্যু দিল্লি , মে ৩০ ঃ

ইন্দিয়াগী সুট্টিংদা ওলিম্পিক্স সিলভর মেডল ফংবা ঙমখ্রবা রাজ্য বর্ধন সিংহ রাথোরগী মচানুপা মানবঅদিত্য রাথোরনা য়ুরোপকী ফিন্দলেন্দ লৈবাক্তা পাঙথোকপা ৮ শুবা ইন্টরনেসনেল জুনিয়র সোটগন কপ্তা ঙরাং গোল্ড মেডল ফংখ্রে।

য়ুরোপকী তোঙান–তোঙানবা লৈবাকশিংদা পাঙথোকপা সুট্টিং কম্পিটিসন্দা ইন্দিয়াগী জুনিয়র টিম্না য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমদুনা মকোক থোংবা ইন্টরনেসনেল অনীদা গোল্ড ৪, সিলভর ৬ অমসুং ব্রোঞ্জ ১০ ফংবা ঙম্লকখিবনি।

ফিন্দলেন্দদা পাঙথোকপা ৮ শুবা ইন্টরনেসনেল জুনিয়র সোটগন কপ অদুদা মানবঅদিত্য রাথোরনা কম্পিটিসনগী অরোইবা নুমিৎতা ত্রেপ ইভেন্টতা গোল্ড মেডল ফংখিবা অদুগা লোয়নন্না মহাক্না টিমগী ওইনা লক্সয়া অমসুং কিসমট চোপ্রাগা লোয়নন্না ব্রোঞ্জ মেডল ফংখিবনি।

নুপীগী সুট্টর কির্তি গুপ্তনা নুপীগী ত্রেপ ইভেন্টতা গোল্ড মেডল ফংবা ঙমখি। কির্তিনা টিম ত্রেপ ইভেন্টতা মনিসা কির অমসুং প্রগট দুবেগা লোয়নন্না গোল্ড মেডল অমসু ফংখিবনি। কম্পিটিসন অদুদা পুন্না তোঙান–তোঙানবা লৈবাক ১০ দগী লাকপা জুনিয়র সোটগন সুট্টর ৯০ না শরুক য়াখিবনি।




Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: H. Achouba Sharma, Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com